মহৈ–মশিং অমসুং হকশেলদা শেল হেন্না থাদবা চঙই : এম পি বিমোল অকোইজম

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (এস এন এস)ঃ
ষ্টেট অসি খুমাং চাউশিলহনগে হায়রবদি মহৈ মশিং অমদি হকশেলগী লমদা শেল হেন্না থাদবা চঙই হায়না লোক সভাগী এমদি ডা. বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা মমাঙৗো চৎনরম্বা উতোং ঙারি নম্বগী কাঙলোনশিং অমুক হন্না হিংগৎন্নবগী মতমদা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎথখিবা ৱার্কসোপকী শক্তাকচে লান্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

'রিভাইভিং ত্রেদিসনেল উতোং ঙারি প্রদক্সন এন্দ পিয়রল কলচর' হায়বা মিংথোলদা লঙ্গোলদা লৈবা ইমা থোঙাক লাইরেম্বগী মশাইকোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম পি বিমোলনা মহৈ–মশিং অমদি হকশেলগী লমদা মনিং হনলিবা মায়কৈ শিন্মিৎলোন চাউখৎপা ঙল্লোইদবনা হিরম অসি চাউখৎনবা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা মথৌ তায় হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মালেমদা চাউখৎলে হায়রিবা লৈবাক খুদিংমক মহৈ মশিং অমদি হকশেলগী লমদা খম থেংনা চাউৎপা লৈবাক ঙাক্তা ওইগনি। চাউখৎপা, মহৈ মশিং অমসুং হকশেল অসি পুন্না চৎমিন্নগনি হায়খি। খুন্নাই অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা য়ুনিভর্সিটি সিষ্টেমগী অচৌবা থৌদাং লৈ, কাঙলোন অসি লৈরক্তবা খুন্নাই অদু অৱাৎ অপা কয়ামরুমনা থনগনি। মালেমগী মহৈ মশিংগী লমদা য়েংলুবদা লৈবাক অসি থাক নেম্না লৈরি। মালেমগী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মরক্তা লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটি অমত্ত য়াওবা ঙমদ্রি। ঙসি মণিপুরদা ওইরিবা মহৈ মশিং তম্বগী ফিভম মরু ওইনা হায়র সেকেন্দরী ইদুকেসন অমদি টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা লোয়শঙ কয়া থোক্লিবা অসিমক মপুং ফারে হায়বা য়াদ্রি মসিদি হৌরকপা খক্লি লৌই হায়খি।

খুন্নাই অমা হিংহনগে হায়রবদি য়ুনিভর্সিটি সিষ্টেম অসি অচুম্বা লিক্লমদা চৎহনবা মথৌ তায়। ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদনা দিগ্রি হেন্না পীশিনবা কয়া য়াওরকপা অসিনা তুংদা মাঙজবা কয়া লাক্কনি। মপুং ফানা রিছাচ তৌদুনা অচুম্বা অফবা লম্বীদা থবক তৌরক্লবা মতমদা খুন্নাই অসিদা চাউনা অওনবা লাক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনৌবা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর অমা পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (এস এন এস)ঃ
ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নোর্ঠন গেটতা লৈবা সনেহা কোতেজকী হোলদা প্রিষ্টাইন ঐচ ২ ও কৌবা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর অমগী ইনুগ্রেসন সেরিমোনি অমা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী অচম্বা থৌরম অদুদা এম এল এ হৈরোক এ সিগী থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, খ্বাইরাবন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কো–ওদিনেটিং কম্মীটি ফোর পিছগী কনভেন্নর লাইশ্রম মেমানা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি এন ঐচ পি সি লোক্তাক প্রোজেক্টগী রিটিয়াদ চীফ ইঞ্জিনিয়র মাইবম লালমণিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা ঈশিং অসি মালেম অসিদা লৈরিবা জিবা পানবা খুদিংমক্না নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। ঐখোয়গী হকচাং অসি চাদা ৭০দি ঈশিং ঙাক্তনি অদুনা ঐখোয়গী হকচাংদা লৈরিবা তোক্সিক ওইবা ফৎতবা ময়ামসি ঈশিং থকচিনলবা মতুং লোয়না চামথোক্লিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ঈশিং অফবা পীথক্লবা সরকারনা আর ও অমমম রিলিফ কেম্পশিংদা খিলহনিংই হায়না ফোঙদোকখি। লম্বু লুম্বা শাবা ঈশিং য়ারিমখৈ মীয়ান্না থকপিনবসু অপিল তৌখি অমদি চাক চাদ্রিঙৈ মিনিট ৪৫গী মমাঙদা ঈশিং থকপনা চাক চারিঙৈ মনুংদা থকপদগী হেন্না য়াম্না হকচাংদা কান্নবা পী হায়নসু ফোঙদোকখি।

খ্বাইরাবন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কো–ওর্দিনেটি কম্মীটিগী কনভেন্নর মেমানা ঈশিং অসি য়াম্না দরকার ওইবা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমনি অদুনা ঈশিংদা য়াওবা ফৎতবা পোৎলমশিং লৌথোক্লগা থকপা য়ারবা ঈশিং পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনবা হায়বসি য়াম্না অফবা খোংথাংনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লৈরিঙৗো গভর্ণরনা শিরুই ফেষ্টিবেলদা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোখিবা অদুদা কোভরেজ তৌবা চৎপা প্রেস মেদিয়াশিংনা তোংবা গাড়িদা মণিপুর থাবা য়ারোই মদু মুথৎলু হায়দুনা ওদর পীখিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা ঙসি ফাওবা এক্সন লৌখৎপা ঙমদবা অসি গভর্ণরনা পাউখুম পীফম থোকই।

তুমিন্না লৈশিনবদা নুংঙাইতবা পোকই মহাক্না শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল য়াওবা চৎলিবদু মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা চৎলিব্রা নৎত্রগা অতোপ্পা ষ্টেটকী গভর্ণর ওইনা য়াওরিবরা হায়দুসু শেংদোকপিরকউ হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কেপিতেল ইলেক্ট্রোনিককী প্রোপাইটর এস চন্দ্রমানিনা মার্কেটতা থোক্লিবা পেকেজচ দ্রিঙ্কিং ৱাটর ময়ামশিং অসিদা করম্বা কম্পনিনা হেন্না হকচাংদা অফবা পীবা ওইনা খল্লগা থকপিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

রিলিফ কম্মিটি মণিপুরগী চীফ ওর্গানাইজর বোন খুরাইনসু রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অয়াম্বা ইনমেটশিংসু কিদনিগী লায়না অয়াম্বনা নাবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলিবা অসিসু মখোয়না শীজিন্নরিবা ঈশিংদগী ওইগনি চিংনবা লৈরি। মরম অদুনা ঙসি শঙ্গাখিবা প্রিষ্টাইন ঐচ ২০ পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর অসি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং অসিদা অহোংবা মমলদা ফংহন্দুনা মীপুম খুদিংমক্না শীজিন্নদুনা মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইহনবা পান্দমদা লিংখৎখিবনি হায়খি।

লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদকী খুভমদা...

লমায় ১গী মখা... কুমজা ১৯৫১ নি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ১৯৬১ দা লেপ্লিবা অসি চহী ১০ গী গেপ লৈবা মরম্না য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোক সভাগী এম পি ডা অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়, মহৈরোই লমজিং মৈরা রোবিনহুদনা লমদম অসিদা আই এল পি চৎনহনগদবা হায়বা খোঙজংদা থৱায় কৎখিবা অসি আই এল পিগী মরমদা মহাক য়াম্না মুন্না খঙলমদবা য়াই। অদুবু মীতোপনা ফুরুপ অসি লোইশিনখিগনি হায়বদুদি ময়েক শেংনা খঙলমগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি দেমোগ্রাফিক সেনারিও অসিনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা আই এল পি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং অমসুং সিটিজেন অনী অসি কনানা কনানো হায়না নীংথিনা খংদনা দাক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিগী চপ চাবা রিগুলেসন অমা থমগদবনি। অনী অসি খন্দোক্তনা য়েংশিন্নদনা লৈরবদি তুংগী য়েলহৌমীশিংদা শোয়দনা শোকহল্লক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমিদসু লমজিং মৈরা হায়না মিংথোন পীখ্রবা সাপম রোবিনহুদকী তরাশুবা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

আই এল পি চৎনগদবনি হায়বা খোল্লাওদা মতম অদুগী মীয়ামগী খোঙজংদা সাপম রোবিনহুদ অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমিদা ক্লাস ইলভেন তম্লিবা মহৈরোই অমা ওইনা শরুক য়াখি। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কাপথোরকপা রবর বুল্লেটনা পান্দুনা সাপম রোবিনহুদ লৈখিদবনি। হন্দক চহীগী ওইনসু রোবিনহুদনা মহৈ তম্লম্বা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমিগী ওজা, মহৈরোইশিং অমদি ষ্টাফ কয়ানা শরুক য়াদুনা লৈখিদবগী মফমদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। নীংশিং থৌরম অদুদা লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদকী অপোকপা অপোকপীসু শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা সাপম রোবিনহুদকী মমিদা মহাক্কী অপোকপা অপোকপী, অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমি অসিগী প্রিন্সিপাল, ওজা অমদি মহৈরোই কয়ানা লৈ–শু কৎপগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সাপম রোবিনহুদকী অপোকপা সাপম রোমেসনা পাউমীশিংদা হায়, মপা অমা ওইবগী অশা কায়রবসু লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোকখিবা অমদি মীয়াম্না চহী খুদিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপীবা অসিনা পূক্নীংদা অপেনবা ফাওই। লোয়ননা মীয়ামগীদমক মহাক্না কথোকখিবা অসিনা মমা–মপা অমা ওইনা চাউথোকচবা ফাওই।

নীংশিং থৌরম অদুগা মরী লৈননা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদমিগী প্রিন্সিপাল নীরা মাইস্নামনা হায়, ঙসি অসি পূক্নীং নুংশিবা নুমিৎ অমনি। স্কুল অসিদা প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুবা কুইদ্রিবা অমা ওইনা চহী খুদিংগী একাদমিগী কেম্পস অসিদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতম অমদা সাপম রোবিনহুদকা তম্মীন্নরম্বা মহৈরোইশিং অমদি একাদমি অসিগী ওজা অমসুং ষ্টাফশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি।

ফুরুপকী লানবন শেমগৎপনা মাঙজবা...

ঙরাংগী মখা...

চেরোল অদুনা হায়, লাইনিং, কাঙলূপ অমদি লোলবু তুংওইনরগা লৈবাক্কী 'স্পিরিচুয়েল প্রিন্সিপলস' শেমগৎলকই হায়না ফ্রেঞ্চ ফিলোসোফর, অর্নেষ্ট রেনাননা ময়েক লানা থম্লি। মসিমক মণিপুর (কংলৈপাক) গা য়ান্নমক চুনরবা মীৎয়েংনি। নোংচুপলোমগী ' মোদর্নিটি' গী খোঙচৎ মমি লমদম অসোমদা নীংথিনা তাদ্রিঙৈ, ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) দদি সিভিল নেস্রেলিজমগী কাঙলোন লাকখ্রে।

চীংবুরোই–তম্বুরোই অনীগী মরী শেমগৎপগী থবক লৈঙাক খোঙচৎতা ঙল্লিঙৈদগী লৈরকখি। মতমগী খোঙলৈগী ময়োল চোংলকপগা ইরোইননা ইরমদমদা মপানদগী পুরকপা কাঙলূপশিং লমদম অসিগী ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসন অমদি শেন্মীৎ শেমগৎনবা লম্বীদা য়াওহন্দুনা ঈগী মরীগী লীপুন্না পূনশিন্দুনা মণিপুর (কংলৈপাক) গী ৱাখল্লোন অসি পাকথোক চাউথোকপা ঙমহল্লি। মণিপুর (কংলৈপাক) মল্টি–ইথনিক অমদি সেক্যুলর ওইবা লম্বীদা প্রি–কোলোনিয়েল মতমদগী খোঙদারকখি।

বৃটিশ লোইলমনা হনখ্রবদা, চীংবুরোই–তম্বুরোই অনীগী অপূনবা ঈহৌ লাকখি, নিংথৌরোলগী পথাপ লোইখি। মণিপুর (কংলৈপাক) মশাগী লৈশেম্লোন / লৈঙাক্লোন শেমখি অমদি মীখল পাঙথোকখি। এসিয়া লমদমগী তোপ তোপ্পা মীয়াম লৈঙাক খোঙচৎ ওইখি। কোলোনিয়েল ইন্দিয়ানা শেমখিবা দ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট, ১৯৩৫ মরু ওইনা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসন (আই ও এ), ১৯৪৭ তা ষ্টেটশিংগী নীংতম্বা অদু মৎলোই অমদি দ ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭ অমদি শেমদোক্লবা আই ও এ অসি নিংথৌ হায়বদি ষ্টেটশিং অদুগী অয়াবা য়াওদনা তৌবা য়াদে হায়বা ৱাফম আই ও এগী সেক্সন ৫ দা য়াওখি। মসিগীসু মথক্তা আই ও এগী সেক্সন ৬ তা ষ্টেটশিংগী লম হেক্তা লৌশিনবা য়াদে হায়বসু পল্লি।

হেন্না মরু ওইবা ৱাফমদি আই ও এগী সেক্সন ৭ তা পল্লি মদুদি মতম অদুগী ষ্টেটস হায়বদি মণিপুর (কংলৈপাক) গুম্বনা তুংদা লাক্কদবা নীংতম্বা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন য়াগদবনি নৎত্রগনা ইন্দুনা চৎকদবনি হায়বা কন্দিসন অমত্তা আই ও এনা থমদে হানসু পল্লি। মরম অসিননি মণিপুর (কংলৈপাক) না কুমজা ১৯৪৭ কী জুলাই ২৪ দা মশাগী নীংতম্বা কন্সটিট্যুসন লীংখিবা, কুমজা ১৯৪৮ দা মীখল পাঙথোকখিবদু।

মণিপুর (কংলৈপাক) অসি নীংতম্বা লৈবাক ওইখ্রে হায়বসি ককনিংঙাই লৈতে। মালেমগী চৎন–পথাপতা পীরিবা 'য়ুতি পোসিদেতিজ জুরিস কাঙলোনগী মতুং ইন্না লোইলমগী মতমদা শকখঙখিবা ঙমখৈ টেরিটোরি অদু মণিপুর (কংলৈপাক) ওইখি অমসুং মসি তুংদা লোয়নরকপা লৈবাকশিংনা থুগায়বা য়াদে হায়বা কাঙলোন অদুগী ফিবান্নুংদা মণিপুর (কংলৈপাক) সু চল্লে, কায়ফদ্রবা লৈবাক অমা ওইদুনা লাক্লি। মণিপুর (কংলৈপাক) গী তোপ তোপ্পা শক্তম অসিনা ইন্দিয়াগী 'য়ুনিয়ন ওফ ষ্টেটস' অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) চন্দে। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন ইননবা শেমখিবা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি অদুদা মণিপুর (কংলৈপাক) গী মীহুৎ য়াওহনখিদে। মণিপুর (কংলৈপাক) অমসুং ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা লৈরম্বা মরীশিং অদু ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্টকী সেক্সন ৭ কী মতুং ইন্না মরী পূন্নমক তৎখি। মসিগী খুদমদি কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুর (কংলৈপাক) বু অমুক হন্না নমদুনা লৌশিনখিবা অসিনা ময়েক লানা তাকই হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) বু নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মণিপুর (কংলৈপাক) দা লৈরম্বা চীং–তমগী খল অমুক হন্না কায়হল্লকখি। কাঙলূপ নাইবা লো শেমখি, লম অমদি লৈঙাক্তা ইথনিসিটিগী মরু হুলহনখি। মসিমক ৱেসিয়াগী লমদম কয়াদসু থোকখি, কাঙলূপকী মিংদা লৈবাক শেম্বনা ইথনিক হোমলেন্দগী মঙলান কয়া শাগৎনবা মচাক ওইখি। ঙসি মণিপুর (কংলৈপাক) দা থোক্লিবা ৱাথোক অসিসু ইন্দিয়ানা ৱেসিয়াদা থাখিবা কম্যুনেলগী মরু অদুনা শারেপ ফারকপনি।

সোসিয়েল দেমোক্রেসিগী খোঙচৎতা পূন্না লৈবাক শেমখ্রবা মণিপুর (কংলৈপাক) দা ইথনিক হোমলেন্দগী পো অসি মণিপুর (কংলৈপাক) দা ইন্দিয়ানা কাউন্টর–ইন্সরজেন্সি পোলিসি ওইনা এসিয়া–পেসিফিক্কী লমদা চৎথবা জিওপোলিটিকেলগী লাল্লোংদা কাঙলূপ খরগী লান্মী তেঙ্গোল শীজিন্নবনি। মণিপুর (কংলৈপাক) গী অপূনবা শক্তম অমদি কোর আইদিয়া ওফ মণিপুর (কংলৈপাক) অসিবু থুগায়দুনা ঐখোয়গী নীংতম লীক্লম অসি থুগায়নবগীদমক ইরৈচা মশেলগী মরক্তা খায়বুং ৱাখলগী শিংচেপ থারিবনি। মরম অদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) দা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা ফুরুপ কাঙলূপকী লানবন শেমগৎপদগী নান্থোকপা চুমগনি। মসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মাঙজবা নত্তনা করিসু পুরক্লোই হায়বসি খঙলবদি অপূনবা চাউখৎপা ঙমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মশক থোকপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা

হোৎনবদা এ বি ভি পিনা অঙম্বা থৌদাং লৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮(এস এন এস)ঃ
অখিল ভারতিয় বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) গী ৭৭শুবা মপোক কুমওন অমদি নেসনেল ষ্টুদেন্টস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এ বি ভি পি মণিপুরনা শীন্দুনা জৱাহরলাল নেহরুম মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অসাম ক্ষেত্রগী ক্ষেত্র কর্য়াৱাহা কেঐচ রাজেন, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর দব্লিউ চান্দবাবু অমদি এ বি ভি পিগী নেসনেল সেক্রেটরী কামলেস সিংহনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ বি ভি পি মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরী গৌতম ফিলেমনা পাউমীশিংদা হায়, লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী তাদনা মণিপুরবু মশক থোকপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা এ বি ভি পিনা অঙম্বা থৌদাং লৌরি। মহৈরোই লূপ অসি কুমজা ১৯৪৯ গী জুলাই ৯ দা হৌদোকখিবনি। অদুবু থা অসিগী ৯ দা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা নেসনেল ষ্টুদেন্টস দেগী থৌরমশিং তোঙান তোঙানবা কেম্পসশিংদা পাঙথোক্কদৌবা লৈবনা মরম ওইরগা ঙসি ষ্টেটকী থাক্তা এ বি ভি পিগী মপোক কুমওন অসি পাঙথোক্লিবনি।

এ বি ভি পিকী মপোক কুমওন অসিগী মনুং চন্না হয়েং ষ্টেট অসিগী চুরাচান্দপুর অমদি মোরে য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোক্কনি। এ বি ভি পিনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোইশিংগী য়াইফন্নবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি নেলিটনচিংবা কেম্পসশিংদা প্লাষ্টিক ফ্রি ওইহন্নবা হায়দুনা থাংজ নুমিৎ খুদিংগী শিৎ– শেংবগী থবক থৌরমশিংসু পায়খৎলি। মসিদা নত্তনা স্পোর্টসকী লমদসু মহৈরোই লূপ অসিনা ষ্টেট অসিগী তুংগী মীরোলগীদমক টুর্নামেন্টনচিংবা শীন্দুনা খোঙথাং কয়া চঙশিল্লি।

ষ্টেট অসিগী খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা মহৈরোই লূপ অসিনা শেল–থুমগী ফীভম চাদবদগী মহৈ মপূং ফানা তম্বা ফংদনা লৈরিবা খুন্নাই অসিগী মহৈরোইশিংবু মহৈ–মশিন মপূং ফানা তমহন্নবগীদমক খোঙথাং কয়াসু লৌখৎলি। ইং–তপ্পা ষ্টেট অমা ওইহনবদা নত্তনা মণিপুর কন্নবা হোৎনবদসু এ বি ভি পিনা অঙম্বা থৌদাং লৌরি। মখা তানসু লমদম অসিবু হেন্না মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌখিগনি হায়খি।

শেন্মিৎলোনদা মীপাল তাংলিবসি থবক্তা মাই

ওনশিন্দুনা চাউখৎপা লমদম ওইহনশি: ঐচ দিঙ্গো

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (এস এন এস)ঃ
শেন্মিৎলোনদা মীপাল তাংদুনা লৈরিবা মণিপুর থবক্তা মায় ওনশিন্দুনা চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনশি হায়না সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফহুদ মিসন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা লৈবা চীংশাং ভি এল এফনা শীন্দুনা ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনা লৈরিবশিংগী ওইনা নোংমগী ওইবা কনভেরগেন্স মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি। পি আই আই–ভি বি ও কনভেরগেন্স প্রোজেক্টকা খুৎশম্নদুনা ফয়েং মখা লৈকাই কাংজেবুংদা পাঙথোকখিবা মেলা অদুদা লৈঙাক্কী হেন্দলুম এন্দ টেক্সাইলস, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার, চীফ মেদিকেল ওফিসার, দিষ্ট্রিকট ইন্দ্রষ্ট্রিয়েল সেন্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২১ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা মখা তানা হায়, মণিপুর মশাগী শেন্থোক নীংথিনা লৈতবা অমদি পোৎথোক লৈতবনা মীপাল তাংদুনা লৈবা লমদম ওইরি। সমাজ অমা চাউখৎকে হায়রবদি থবক্তা মায় ওনশিনবা তঙাইফদে। হায়রদুনা লমদম অসিগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মরম ইশানা খঙনিংবা, দিপার্টমেন্টশিংদগী লৌনিংবা খুদোংচাবশিং মেলা অসিদগী লৌহৌশি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টকী চিয়ারপার্সন অঙোম গোজেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট অমদি লমশাং এস দি ও মেদাম গোপাল লাইশ্রম অমদি হাওরং সাবল সি দি ব্লোক্কী ব্লোক মিসন মেনেজর ক্রিতিভাস ৱাহেংবমনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

য়ুনিভর্সিটি, মুসুবু মিংচৎ থিহন্নবা...

লমায় ১গী মখা... তাবা মতমদা মুসুদা এপ্লিকেসন পীশিনবা লাকখি অমদি মুসুগী এগজিক্যুটিভশিংগা সোলুসন পুরক্লবা খন্নখি। নুমিৎ অদু থেংবনা অমদি ওফিসকী মতম লোইখিবনা মরম ওইরগা মহৈরোই খরনা পীখৎলকখিবা ৱাকৎ অদু দীন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারদা পুখৎপা ঙমখিদে।

মথংগী নুমিৎ জুলাই ৫ কালেনগী ছুটি ওইরবসু মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং কৌদুনা অমদি মহৈরোইশিং অদুসু য়াওনা পূন্না ফম্মীন্নরগা মহৈরোইশিংগী ৱাকৎ অদু তাখি। মুসুনা মহৈরোইশিং অদুগী ৱাকৎ অদু দীনদা থাঙ্গৎলবা মতুং দা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্ট গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল কম্মিটি (এস জি আর সি) দা ৱাকৎ অসি দীননসু থাঙ্গৎখি।

মসিগী মতুং থা অসিগী ৬ অসি ছুটি ওইরবসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্টস গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল কম্মিটিগী ওজাশিং লাক্তুনা মহৈরোইশিংগী ৱাকৎ অদু খন্নবা হৌখি। মথংগী নুমিৎ জুলাই ৭ তা ৱাকৎ অসিগী প্রোসিদিং চৎথবা হৌনবা থৌদোক অদুবু থেংনখিবা মহৈরোইশিং ষ্টেটমেন্ট পীনবা কৌনবা হোৎনরিঙৈ তাঞ্জাদা ইরাং অদু থোকখিবনি। ইনক্বারি অসি চৎথরিবা মরক অসিদা অচুম অরান থিদোক্লবা হোৎনরিবা থৌদোক অমবু মীয়ামদা ফোঙদোরকপা অসি মুসু অমদি য়ুনিভর্সিটিবু মিংচৎ থীনবা হোৎনরকপনি হায়না লৌই। মসিদা মুসুনা তুমিন্না লৈশিনখিদে।

মহৈরোইশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অদুগী অচুম্বা অদু থিদোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। মসিদা ইশু অসিবু নাকল অমরোমদা চৎথহন্নবা মহৈরোইশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং অমা উবা ফংলে। মসি য়ান্না লাইবক থীবনি। মসিদা মখা তানা চৎথরক্লবদি মদুদা চেন্নরিবশিং অদু অফবা ওইরোই। ইশু অসি নাকল অমরোমদা পুনবা হোৎনবিগনু। থৌদোক অদুগী অশেংবা অচুম্বা অদু ফংনবা পূন্না হোৎনমিন্নসি অমদি ষ্টুদেন্টস গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল কম্মিটিনা চৎথরিবা ইনক্বারি অসি অথুবদা লোইশিন্নবা তৌবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মপোক কুমওন থৌরম ...

লমায় ১গী মখা... হায়না ই–পাউ তেংবাঙ লূপ মণিপুরগী সেক্রেটরী জেনরেল সোইবম পিবারেল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিনা হেক শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা লমদম অসিদা লৈরিবা শোখরবা অৱা–অনা তারবশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। লূপ অসিনা চহী ১ দা থা খুদিংগী ব্লদ দোনেসন কেম্পশিং পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরকপা অসিদা দোনর কয়া থোকপীরক্তুনা লূপ অসিনা হোৎরিবা অসিদা মতেং পাংলক্তুনা দোনর ওইরক্তুনা চহী ১ দা ব্লদ দোনেসন কেম্প মরিদগী তরা ফাওবা পাঙথোকপা ঙম্লে। লাক্কদৌরিবা চহীশিং অসিদদি থা খুদিংগী পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

লূপ অসিনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরকপা ইনাৎ লাইনিং অমদি মশান্না কয়া য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট লেভেল থাঙ–তা চাংদম্নবনচিংবা পাঙথোক্তুনা অমদি হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানা লাক্কদৌরিবা চহীশিং অসিদসু হেন্না পাক চাউনা পাঙথোকপা ঙম্নবা শেম শারি। মসিদা ই–পাউ তেংবাঙ লূপনা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি লমদম অসিদা লৈবীরিবা খ্বাই খিবিক্লা মতেং পাংবিদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকপদা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

লূপ অসিনা হেক শাফোঙলকপদগী চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থা ফাওবদা ব্লদ দোনেসন কেম্প ৪২ রক শুবা ওইনা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মশান্না অমা ওইরিবা থাঙ–তা হায়রিবা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবগীদমক্তা লূপ অসিনা মশান্না অসিবু অথোই–অহেন চাংদম্নবা অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দগী হৌদুনা ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখা তানা চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থা অসিদা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মসিদা লমদম অসিদা থাঙ–তাবু নুংশিবিদুনা য়োকখৎনবা হোৎনরিবা অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপীদুনা চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াদুনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা মশান্নশিং অসিগী লীক্লম কায়দনা থম্বগা ইরোইননা মশান্নশিং অসিবু খ্বাই পূন্নমক্না য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি।

লূপ অসিনা কোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনগী থাঙ–তা, ম্যুজিক অমদি মণিপুর (এম আই এল) হায়রিবা সবজেক্টশিং অসিগী সবজেক্ট তোপ্পরশিং খনগৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা হান্নদগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহী অসিগী ওইনসু সবজেক্ট তোপ্পরশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা লূপ অসিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্লগনি অমদি লূপ অসিনা লমদম অসিদা নোংজু নুংশা থিদনা অচুম্বা ই–পাউ কয়া খোমগৎতুনা মীয়ামদা পাউ য়ৌহল্লিবা পাউমীশিং খনগৎতুনা ই–পাউ স্পিসিয়েল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ পীরগনি।

লূপ অসিনা খনগৎলবা পাউমীশিং অদুদি ইম্পেক্ট টি ভিগী পাউমী হিয়াংলম মখা লৈকাইদগী এলাংবম মুশুক মীতৈ, ইম্পেক্ট টি ভিগী কেমেরামেন কোংবা উচেকোন খুন্নৌদগী লৈমপোকপম কবিচন্দ্র, আই এস টি ভিগী রিপোর্টর কৈবী মখা লৈকাইদগী নিংথৌখোংজম সনাজাওবা মীতৈ, অমসুং খুরাই সাজোর লৈকাইদগী মাইকেলজিৎ য়ুম্নাম, সঙাই এক্সপ্রেসকী পাউমী হৈরোক পার্ট–১ হৈতুপপোকপী মনিং লৈকাইদগী মোইরাংথেম খাগেম্বা মীতৈ, পোক্লফমগী পাউমী ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদগী মিসন ওইনাম, সনালৈবাক পাউচেগী ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাইদগী রোবিন্সন ৱাহেংবম, ইলিট টিভগী পাউমী মন্ত্রিপুখ্রি লম্লোংগৈ মমাঙ লৈকাইদগী সনা হেমাম হায়বা পাউমীশিং অসিদা এৱার্দ পীরগনি।

লূপ অসিনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্পশিংদা ব্লদ দোনর ওইবীখিবশিংবু অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা লূপ অসিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পূক্নীং থৌগৎকনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা লূপ অসিগী ৮ রক শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম অসিদা পূন্নমক্না মতম চানা লেঙবিরক্তুনা মপূং ফানা শরুক য়াবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

কুম্বী এ সিগী লৈঙাক্কী স্কুলশিং অৱাৎ–অপনা ...

লমায় ১গী মখা... পীরকখি হায়নসু হেদ মাষ্টর অসিনা ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা পাউদম্লকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুম্বী সম্থোঙ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসিদা মহৈরোই মশীংদি য়ান্না লৈবা অসিদনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপূং ফানা শেমগৎপীদবতা নত্তনা ওজাগী অৱাৎপসু স্কুল অসিনা মতম শাংনা মায়োক্নদুনা লাক্লি। য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা থেংনরকখিবা স্কুলশিংগী চপ চাবা রিপোর্টশিং থা অসিগী ১১ অমদি ১২ দা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিতরিং কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরীসু ওইরিবা দি সি বিষ্ণুপুর য়াওবা মীফমদা পুথোক্লগনি। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবিনবা আপিল তৌরক্লি।

কুম্বী সম্থোঙ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টরসু ওইরিবা নেসনেল এৱার্দি কাঙেম্বম ইন্দ্রকুমারনা স্কুল অসিগী মতাংদা পাউদম্লকপদা স্কুল অসিদা হৌজিক হৌজিক মহৈরোই ৬৪২ লৈরি। ওজা অৱাৎপদি লৈঙাক্লা থাবিরক্তবনা লোকেলদগী ওজা মঙা নেক্লগা য়ান্না ৱানা তাকপী তম্বীরি। মশীংগী মথক্তা স্লো লার্নিং ওইরবা মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং তোঙান্না স্কুল অসি বোর্দিংদা তোঙান তোঙান থমদুনা অখন্ননা ওজা থমদুনা ময়েক চৎননবা হৌখিবা চহী ৫ মুক্কী মমাঙদগী তৌরক্লি।

স্কুল অসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৮ দগী স্কুল হৌবনা চাক চারক্তবা মহৈরোই মশীং য়ান্না য়াওরকপনা মিদ দে মীলগী অঙাংশিংগী চাক স্কুল অসিদদি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা পীজরি। মসিদসু লৈঙাক্লা পীরক্লিবা অসিনা অৱাৎপা লৈবদগী স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইরিবা মহাক্না মহৈরোইশিংগী খন্দুনা লন্নাই ওইনা অঙাংশিংগীদমক মপূং ফানা চাক পীজরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদু মখা তানা কুম্বী অদ্রাস প্রাইমারি স্কুলদসু মহৈরোই মশীং ফজনা লৈরবসু অপদেটিংগী ওজা অনী খক্লা তাকপী তম্বীহৌরি। ওজাগী অৱাৎপা অদুমক লৈরি হায়না ওজাশিংনা পাউদম্লকখি। স্কুল খরদনা মহৈরোই মতীক চানা লৈরগা ওজা ৱাৎপগী খুদোংচাদবা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চাদবা কয়া থেংনখি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিং অদুদা কুম্বী সম্থোঙ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, কুম্বী অদ্রাস গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুল, কুম্বী থিঙেল লৈকাই প্রাইমারি স্কুল, অভিরাম প্রাইমারি স্কুল কুম্বী, কুম্বী সেতুপুর প্রাইমারি স্কুল, ইথাই খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলশিং ডা কেঐচ রোমেসনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি।

থম্বালখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী নোংমগী ওইবা হেল্‌ঠ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮(এস এন এস)ঃ
মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফহুদকী মখাদা লৈবা কংলৈপাক ক্লষ্টর লেভর ফেদরেসনগী থম্বালখোং থৌনা ফবা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন (ভি এল এফ) অমদি কোংবা লাইশ্রম লৈকাই অপূনবা ভি এল এফনা শীন্দুনা ঙসি থম্বালখোং মৈতৈ শঙলেনদা থম্বালখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেনিকেল ওফিসারগী ঙাক্লৌ মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোম তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবশিং লেম্না লায়েংবা ফহনখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা হিদাকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি।

হেল্‌ঠ কেম্প অদুগী মতাংদা কোংবা লাইশ্রম লৈকাই অপূনবা ভি এল এফকী সেক্রেটরী লাইশ্রম রানিবালানা হায়, হন্দক্তা থোক্লিবা ঈশিং ইচাও অদুগী মতুংদা মীয়াম্না নারকপা য়াবা অমদি নারিবা অনাবশিং লায়েংবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

জি পি অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবদা অদু ঙসিগী থৌরম অসিদা কোকহল্লনি হায়না পল্লদুনা ইচাও থোকখ্রবা মতুংদা স্কিনগী অনাবশিং মীয়াম্না ময়োক্লবা অদু হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংবগী মহুৎতা মফম অসিদা পাঙথোক্তুনা খুদোংচাবশিং অসি ফংহনবনি হায়খি।

জি পি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখল কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না পাঙথোকখি।

অরানবা থবক তৌবদা চেন্নবা...

*লমায় ১গী মখা...*অসিগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎতুনা ফাবিনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা তকশিন্দুনা এফ আই আর কেস অমা লৌখৎখি। লোয়ননা সি জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টতসু ক্রিমিনেল মিস কেস অসি ফাইল তৌরগা কেস হিয়ারিং চৎথবদা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসারশিং অিসবু এম সি আর পীবিনবা হায়জরকখিবদু অয়াবা পীখিবনি।

অমতা ওইনা চঙশিনবা মথৌ ...

লমায় ১গী মখা... তানা হায়, মণিপুরদা হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চৎথরক্লিবা ইরাং অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা সি এস ও, ক্লব, মৈরা পায়বী লূপ অমদি মহৈরোইশিংগী এসোসিয়েসনশিংনা মানা মানা অপান্বা মওংদা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা বেনর অমগী মখাদা পূন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই।

মণিপুরদা থোকখিবা মে ৩ গী থৌদোক অসিনা মণিপুরগী পুৱারীদা অমম্বা নুমিৎ অমগুম লৈহৌরগদবা থৌদোক অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপশিংগী মরক্তা অমনা অমদা থাজনবা থন্নরক্তবগী মমি চাউনা তারক্লি। ঐখোয় মশেল অমতা ওইনা পূনশিন্নবগী শক্তম কায়থরক্তুনা অমনা অমগী মরক্তা শীংনরকপগী মমি তারকখিবা অসি খরদং ওইরবসু কনবা ঙম্নবগী পান্দমদা মৈতৈ–পাঙল কম্যুনিটিনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা অনৌবা য়াওল অমা পুরকপা ঙম্নবা অমদি ইং–তপ্পগী খোল্লাও লাইফম থোকই খন্দুনা লূপ অসি লীংখৎলকখিবনি। লোয়ননা লূপ অসিনা শাফোঙলকপা নুমিৎ অদুদগী লমদম অসিদা থোরকপা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা য়াওবতা নত্তনা অঙম্বা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ু এম পি সি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অলহজ মৌলানা মুহৈয়ুদ্দিন মাজাহিরি, অম্পৱাগী প্রসিদেন্ট অলহজ এ আর খান, এফ আর পি এমগী প্রসিদেন্ট অশাং কসার, ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুজতা, ফোক্সকী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা, পি পি এ এমগী কনভেনর এম সি মীতৈ অমদি কসোম খুনৌ শানাও লোং (কে কে এস এল) গী জেনরেল সেক্রেটরী জুলিয়া শিংলাইনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অমজু, ই জি এমগী খোঙজং...

লমায় ১গী মখা... ২০২৫ হৌদোকপগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী গ্বালতাবী এরিয়াদা পাউমীশিংনা তোংলকপা গাড়ীদা অয়েৎ–অপন পীখিবা অদু প্রেসকী ফ্রিদমদা শীংনবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লা ইনক্বারি কম্মিটি শেমদুনা থিজিনবা হৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহন্দনা থম্বা অসি লাইবক থীবনি। অথুবদা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহন্দুনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা থোক্তনবা লৈঙাক্লা হোৎনবিয়ু। থৌদোক অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি এদিটরস গীল্ড মণিপুর (ই জি এম) না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননসু মপূং ফানা শৌগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মণিপুর ইং–তপ্পগী মায়কৈদা ...

লমায় ১গী মখা... হায়না থাজে।

য়াম্না ফীভম শোকপা অমবু অহিং অমা খক্তদা হেক্তমক ফগৎহনবা ঙম্লোই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙমিন্নবা চুমই। মরম অদুনা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা অফবা মায়কৈদা পুরক্লবগীদমক ৱারী শান্নদুনা ষ্টেট অসিদা ইং–তপ্পা অমদি নুংশি–চান্নবা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবা চঙই। মসিগীদমক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ৱাখল ফাথবা অমদি অমগা অমগগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নবসু তঙাইফদে হায়খি।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ...

লমায় ১গী মখা... থাজবা অদু লৈরে।

অফবা অওনবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা মিসন অসিগী দ্রাইভ মখা তানা অদুমক চৎথখিগনি। লূপনা থমখিবা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লৈদুনা লমহেন–তুহেন্দুনা মখা তানা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োল্লিবা অমদি পুশিল্লক্লিবা এজেন্টশিংনা খুদক্তগী লেপত্রবদি খূৎ থারক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়বসি খঙজিনবিয়ু।

মতুং তারকপা দ্রাইভশিংদসু ক্লব ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, ইমা–ইবেলশিংনসু মখা তানা সপ্পোর্ট তৌবিদুনা য়েলহৌমী ইরৈচাশিংবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

লৈবাক শীনবা থুংনা ঙসি নেসন ...

লমায় ১গী মখা... পূন্নমক লোইশিন্দুনা থবক্তা ওন্থোকপা, এমপ্লোয়ীশিংগী হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম থবক ওইনা পায়খৎপা লোয়ননা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ না পীরিবা থ্রি লেংগ্বেজ ফোর্মুলা অসি চৎনহন্দবা হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা থোকখিবা লেংগ্বেজকী ক্রাইসিস অমুক হল্লকপা য়াই। পীথোক্তনা লৈরিবা পেন্সনগী দি এ / দি আরশিং পীথোকপা, পেন্সন ফন্দ রিগুলেটরি ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া এক্ট অসি রিপিল তৌবা হায়বা দিমান্দসিনা মপূং ওইনা প্রোটেষ্ট অসি চৎথগনি।

প্রোটেষ্ট অসিদা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী অপূনবা, বেঙ্কিং ফেদরেসন পূন্না শরুক য়াগনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এমপ্লোয়ী পূন্নমক্লা প্রোটেষ্ট অসি শরুক য়াবিয়ু। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক তংদু–লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈবা ওইবনা বন্দ অমদি ষ্ট্রাইকশিংদি তৌজরোই। মোরেল সপ্পোর্ট পীদুনা সিম্বোলিক ওইবা প্রোটেষ্ট খক্তমক চৎথগনি হায়খি।